থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# গ্রুপ, টিম অমদি সিনর্জি

‘লূপ’ হায়বসিগী ইংরাজি ৱাহন্থোক ‘ওর্গনাইজেসন’ হায়না খঙনৈ। অদুবু ‘কাঙলূপ’ হায়না সফিক্স অমগুম শীজিন্নরবদি ৱাহন্থোকসি তোঙাল্লকই। ‘গ্রুপ’ হায়না হনবা তা’মাল্লে। গ্রুপ নৎত্রগা কাঙলূপ হায়বা তারবদি শা-ঙা-উচেক নৎত্রগা মী’গুম্বা থৱায়পানবা ময়াম পুন্না পুল্লপ লৈমিন্নবা নৎত্রগা হিংমিন্নবা অদুবুনি। অদুগা, ময়াম পুন্না চুম্নসুম লৈমিন্নবা নত্তবা, অকক্লবা পান্দম/থবক অমা তৌমিন্ননবা শেম্বা লন্নাই-মীওই খরগী খূৎপু (মীওই কাঙলূপ) অদুবুনা ইংরাজি লোন’দা ‘টিম’ কৌই। ঐখোয়গী লোন’দা খূৎপু হায়গদ্রা কাঙবু হায়গদ্রা- অমদি শোয়দনা ওইগনি। মীরোনবু ইরোন ওইনা শীজিন্নবা হৈনখ্রবা কাঙলূপ/ফুরুপ ওইবনা, চপ-চাবা অরেপ্পদু খঙদবগী ৱানি।

ওইনীংবদু ওইরসনু, তমজগদৌরিবা পাউদমসিগী ওইনদি ‘গ্রুপ’ অমসুং ‘টিম’ হায়বা ইংলিস-টর্মিনোলোজি অসি ওইনা শীজিন্নজরগে। কাঙলূপ, ফুরুপ নৎত্রগা খূৎপু, কাঙবু... ইরোনসিগী টর্মিনোলোজি শীজিন্নজরোই, চমম্নবা থোক্লনি।

ইন্দিভিজ্যুঅল/লন্নাই ওইনা পোক্লকপা মীওইবনা, মানা মানা থোকপা লন্নাই ওইনা হিংনরম্বদগী পুল্লপ-পুল্লপ কাঙলুপ শেম্লগা হিংবগী চৎনবী অমা হৌদোক্লকখিবা করিগীনো? অমগী পাঙ্গলগা অনীগী পাঙ্গলগা মান্নবা হৌনদে। মীওইবা খূদিংমক্তা য়াওজরকপা ‘শা ওইবই মতৌ’ (এনিমেলিতি)- নুঙগী যুগতগী ঙসিফাও’ হোংবা ঙমদা লোয়নরক্লি। অকনবনা হিংহৌবা অশোনবনা শিখিবা- (সর্ভাইভেল ওফ দ ফিত্তেস্ত) আ মমাংঙৈদই অচুম্বা ওইরক্লবা ৱারোলদু ‘চার্লস দার্ৱিন’না ইভোল্যুসনেরি থিওরি পুথোক্লকঙৈ মাগী ৱাহৈ ওইখিবনি। হিংনবইদমক খুন্নাইসিদা অকনবা অমা ওইদবা য়াদে, তঙায়ফদবা অমনি। তঙায়ফদবদুননি কাঙলূপ অমদি খুন্নাই (গ্রুপ এন্দ সোসাইটি) শেমহল্লকখিবা। অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা পাঙ্গল কনখৎহনবনি।

অদুগা, ‘টিম’! ‘টিম’ হায়বসিসু ইন্দিভিজ্যুঅল খরনা পুনশিল্লগা শেম্বা ‘গ্রুপ’ অমনি। টিম খূদিংমক গ্রুপ অমমমনি। অদুবু গ্রুপ খূদিংমক ‘টিম’দি নত্তে। গ্রুপ অমগী মনুংদা লৈমিন্নরিবা ইন্দিভিজ্যুঅলশিং, অমনা অমবু শক খঙনদবা-উনদবসু য়াই অমনা অমগী মতেং পাংনদবসু য়াই। অদুবু, টিম অমগী মনুংদা য়াওরিবা ইন্দিভিজ্যুঅলশিং অদুদি মখোয় খূদিংমক অমনা অমবু খঙবতা নত্তনা অমনা লৌরিবা থৌদাংদুসু মুন্না খঙমিন্নগদবনি, থৌদাং অদু পাঙবদা টিমদুগী মেম্বরশিংনা মতেং পাংগদবনি। মখোয়গী পান্দম অমত্তনি। লন্নাই ৱারেপ লৌবা য়াদে। অমরোমদা গ্রুপ অমগী মেম্বরশিংদি নীংতম্বা-ইন্দিভিজ্যুঅল অমমম ঙাক্তনি। মরন্নাই ৱারেপ অমমমনা পুল্লগা থবক তৌই। মরম অদুনা, গ্রুপ হায়বসিদদি লৈফম থোকপা পাঙ্গল অদু লৈতবসু য়াই। ‘টিম’ হায়বসিদদি কনফম থোকপা পাঙ্গলগী চাং অদুদি লৈগনি, অদুবু, অতোপ্পা টিম অমগা চাংদম্নরকপদা অথোই-অহেন, মায় পাকপা/মায়থীবা- টিম অদুগী লুচিংপুরেন (লীদর)দুগী লীদরশিপ ক্বালিটি/ওথোরিটিগী মখা পোল্লি। চপ মান্ননা লীংবা ফুটবোল টিম অনী শান্নরকপদা টিম-কেপ্টেন অদুগী এক্সপরিয়েন্স অমদি হৈ-শিংবদুনা মায় পাকপা/মায়থীবগী চাং লেপ্পদুগুম্বনি। কম্পেনি অমগী প্রোফিটেবিলিটি/অমাঙ-অতোংসু মেনেজিং দিরেক্টরদুগী মেনেজরিঅল স্কিল অমসুং ইমপ্লোয়ীশিংগী ম্যুচুঅল রেস্পেক্ট/অন্দরষ্টেন্দিংগী মখা পোনগনি। মসিবু, মেনেজমেন্টকী টর্মিনোলোজি’দা টিম-সিনর্জি হায়না খঙনৈ। ‘টিম-সিনর্জি’ হায়বগী ইচম চম্বা ৱাহন্থোক্তি... ‘টিম অমদা থবক তৌমিন্নরিবা মেম্বরশিংনা মশাগী মপাঙ্গল/হৈ-শিংবা/এবিলিটি খঙজবগী মথক্তা, মহাক্কী পার্টনরশিংগী মতিক-মঙম খঙমিন্নবা অমদি মতিং থোক্লা মথৌ তৌবা’ অদুনি। টিম-মেম্বরশিংনা ফনা মতিক-মথৌনা-মবুদ্ধি-মরৌশিং লৈবা ওইরবসু মখোয় মশেন’-মরক্তা ‘টিম-সিনর্জি’ লৈত্রবা, মায়থীবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। ইরায় লায়বা, তাবদা হেক্তা খঙগদবা খুদম অমত্তং পঞ্জগে-নুপী, অঙাং, অহল অয়াম্বনা খঙনরবা ‘মহাভারত’কী ‘কুরেক্ষেত্র লাঞ্জাও’। পান্দুগী মচা মঙাগী টিম- ‘পান্দব’ অমদি ধৃতরাষ্ট্রগী মচানুপা চামাগী টিম ‘কৌরব’, তেঙ্গোল অনীগী মরক্তা শোক্লখিবা ‘নুমীৎ তরানিপান’গী লানদুদা- পূম্ন মক্লা খঙই, ইন্দিভিজ্যুঅল ক্বালিটি অমসুং লানগী হৈ-শিংব’দা ভীস্ম, দ্রোন, কর্ন, শল্য, অশ্বথামা... কৌরব তেঙ্গোলবু লুচিংখিবা লানচিংপুরেনশিংদুগী মতিক চাবা লম্বা, পান্দব তেঙ্গোলদা অমত্তবু য়াওদে হায়বা য়াই। লানচিংপুরেনদুখক্তা নত্তে, অথৌবা-অকনবা লাল্লোয় কয়াসুনি তেঙ্গোলদুদা য়াওদুনা লান্থেংনখিবা। অদুগা করিগী, অদুক তমথীনা চঙ ফংনা মায়থীখিবা কৌরব তেঙ্গোল? তেঙ্গোলদুদা য়াওদুনা লান্থেংমিন্নরিবা অথৌবা লাল্লোয়শিং, অমনা অমবু উশিৎনদে। ঐঙোন্দই হেনবা কনানো... হায়বা নাপন’দুনা ফুদোংলদুনা, ‘ঐগী পালি লাকখিসনু ঐগী ইতিক ফুদোক্কে’ খন্দুনা লানফমদুদা কনানসু মতিক-মথৌনা ফুদোক্তুনা লান্থেংনখিদে। অমনা অমদা পাংফম থোকপা মতেং কনানসু পাংনখিদে। লানচিংপুরেন ‘কর্ন’গী দোলাই থৌখিবা শল্য’না কর্নগী য়াথং ইনবই মহুৎ করেম কথাইনবা ৱাহৈতমক শীজিন্নদুনা ‘কর্ন’গী থৌনা হাৎখিবনি। কৌরবকী লাল্লোয় পুম্নমক মশা-মশাগী মপাঙ্গল মথৌনাদা ওভরকনফিদেন্ট ওইনা, ‘ইগো’না হারবা লাল্লোয় ওইনা লাঞ্জংখি। লানফমদসু ‘সিনর্জি’ কয়ামুক মরু ওইবনো? দুর্যোধন’না উঙমখিদে। অমরোমদা পান্দব-তেঙ্গোল, লান হৌবা নুমীত্তগী লান-লোইবা (তরানিপান্নি চনবা) নুমীৎ ফাও ‘ধৃষ্টদ্যুম্ন’না লুচিংপুরেন ওইনা লান্থেংনখি। মহাক্কী লাল্লোং কনানসু ক্লেসন তৌখিদে। অথৌবা লাল্লোয় অর্জুন’না লানফম ময়ায়দা ৱাখল লম্মুক্লরক্তুনা লান থেংনৌ য়াদ্রবদা দোলাইপাবা কৃষ্ণনা পীবা পাউতাক, চিংন-পরৈনদনা, ৱাহংদনা থাগোন্নখি। লানচিংপুরেনগী য়াথং থৱায়গা ওন্নবদসু চিংন-পরৈনখিদে। অদুবু কৌই ‘টিম-সিনর্জি’।

লৌশিং পুক্কে

# ব্লদ প্রেসর ৱাংবা মীওইশিংনা

## চারোইদবা চীঞ্জাক খরা ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নসি



মালেমগী মীওইশিংনা খ্বাইদগী হেন্না মায়োক্লবা হকচাংগী প্রোব্লেমশিংগী মনুংদা ঐখোয়না বি পি ৱাংবা নৎত্রগনা নেম্বা হায়রিবা অসিসু অমনি। ব্লদ প্রেসরনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়াগী পুন্সি অরেম্বদা মাঙহনখ্রে। মীয়াম্না কম্মন ওইনা ব্লদ প্রেসর হায়রগা খঙনরিবা হায়পরটেন্সননা মীওইবগী পুন্সি তেমশিংনবা ঙম্বনা মরম ওইরগা মসিদগী ঐখোয় য়াম্না চেকশিনগদবনি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুংইন্না মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদা মীওই বিল্লিয়ন ১.১৩ হেনবরোমদা হায়পরটেন্সন লৈ। মসিনা মরম ওইরগা থম্মোয়, ব্রেন, কিদনি অমসুং অতোপ্পা লায়না কয়া নাহল্লক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্লি। হায়পরটেন্সন অসি ঐখোয়না নুমীৎ খূদিংগী চারি-থক্লিবা চীঞ্জাক অমদি পুন্সি মহিংদা হোংদোক-হোংজিন তৌদুনা মেনেজ তৌবদি য়াগনি। হায়পরটেন্সন লৈতনবা হোৎনবদা ঐখোয়না কা হেন্না লুবা নৎত্রগনা ৱাখল কা হেন্না খনজিনবা য়াবা থবকশিং তৌদনবা হোৎনগদবনি। মসিনা হায়পরটেন্সন হন্থহনবদা নত্তনা মেন্টেল ষ্ট্রেস মেনেজ তৌবসু ঙম্মী। অমরোমদা, ঐখোয়না ব্লদ প্রেসর য়াম্না তোয়না চেক তৌবা অমদি ডোক্তরশিংগা তান্নবা মথৌ তাই। ঐখোয়না অসিগুম্বা মীওইবগী পুন্সিবু তেমশিংনবা ব্লদ প্রেসরদগী ঙাকথোক্লবা নৎত্রগনা মশাগী ওইনা বি পি ৱাংনা লৈরিবা মীওইশিংনা চারোইদবা চীঞ্জাক খরগী মতাংদা ঐখোয় খঙমিন্নসি। হায়রিবা চীঞ্জাকশিং অসি ঐখোয়না কম্মন ওইনা শীজিন্নরিবা চীঞ্জাকশিংনি। মসিনা বি পি লৈবা মীওইশিংগী ওইনদি খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি হায়বনি।

থুম অসি ঐখোয়না নোংমগী ওইনা চারিবা এঞ্জাংদা খ্বাইদগী হেন্না মরুওইবা অমনি। থুম য়াওদবা চাক-এঞ্জাং চাবদা ঐখোয়দা মরেক-মহাও থোকহন্দে। অদুবু হায়পরটেন্সন লৈবা মীওইশিংগী ওইনদি থুম কা হেন্না চাশিল্লোইদবনি। করিগুম্বা ঐখোয়না চাক চাবা মতমদা থুমগী চাং কা হেন্না চাশিল্লবদি হকচাং মনুংদা চেল্লিবা ঈদা য়াওবা ঈশিংগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা ব্লদ বেসেল ৱালশিংদা অহেনবা শাফু পীবা হৌরকই। মসিনা মরম ওইরগা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লক্কনি। মরম অদুনা হকচাংগী য়েংলগা মথৌ তাবা থুমগী চাং অদুখক্তমক চানবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না চাক চাবা মতমদা নাকলদা থুমগী কৌটা অমা থমদুনা চাবগী হৈনবী লৈরল্লবসু মদু খুদক্তগী তোক্কদবনি।

ঐখোয়না য়ু হায়রগা হেন্না খঙনরিবা অলকোহোল অসিসু হায়পরটেন্সন লৈবা মীওইশিংগী ওইনদি য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওই। অলকোহোলগী শরুক কা হেন্না শীজিন্নরবদি ঐখোয়গী ব্লদ বেসেলশিং অসি খুজিল্লক্কনি। মদুনা মরম ওইরগা হার্টনা ঈশিং অদু হকচাং শীনবা থুংনা চেলহন্নবা হোৎনবদা কন্না মথৌ তৌবা হৌরক্কনি। ঈবু চেলহল্লিবা ওর্গানশিং অদুনা হান্না তৌরম্বা মথৌগী চাংদগী হেনগৎলক্লবদি ব্লদ প্রেসরগী চাং খঙহৌদনা ৱাংখৎলক্কনি। মরম অদুনা তুংগীদমক খল্লগা ঐখোয়না অলকোহোলগী শরুক শীজিন্নবগী চাং হন্থহনগদবনি। ঙল্লগনা অলকোহোলদগী মতম পুম্বদা লাপথোক্লা লৈনবা হোৎনগদবনি।

অথুম্বগী শরুক চাং হেন্না য়াওবা চীঞ্জাকশিং বি পি ৱাংবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ চারোইদবনি। অথুম্বা চীঞ্জাকশিংদা মরুওইনা সুগরগী চাং ৱাংনা য়াওই। ঐখোয়না সুগরগী চাং ৱাংনা য়াওবা পোৎলমশিং কা হেন্না চাশিনবা মতমদা ঐখোয়গী ব্লদ বেসেলশিংদা নাইট্রিক ওক্সাইদ পুথোরকপগা লোয়ননা ব্লদ বেসেলশিং অদুবু খুজিলহল্লক্কনি অমদি মদুনা মরম ওইরগা বি পি ৱাংখৎনবা অচৌবা মরম অমা ওইহল্লক্কনি। মসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঐখোয়না সুগরগী চাং য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাকশিং য়ারিবমখৈ চাদনবা হোৎনগদবনি।

খুদক্তা চাবা য়াবা চীঞ্জাকশিং হায়বদি কৌটাদা হাপ্তুনা য়োল্লিবা নৎত্রগনা উনদা ফমজিলহল্লবা চীঞ্জাকশিং য়ারিবমখৈ চারোইদবনি। মরমদি পোৎশিং অদুবু মতম শাংনা লীদুনা থম্বা য়ানবা হোৎনবদা থুম অমদি হকচাংদা শোকপা য়াবা মচল কয়া য়ানশিল্লি। চাবা মতমদা হায়রিবা মতম কুইনা লীরবা চীঞ্জাকশিং অসি হাওরম্বদি য়াই। অদুবু ঐখোয়গী হকচাংনা মথৌ তাবা ন্যুত্রিসনল ভেল্যুশিং অদুদি ফংবা ঙম্লোই। মরমদি মতম শাংনা থম্লকপনা মরম ওইরগা হকচাংদা কান্নবা পীবা য়াবা মচলশিং অদু মাঙখিবননি। মসি হকচাংদা কান্নবা ওইদে।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মনা ২৪ মীওই ৫৩দা খুৎশিন্নখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) : লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংনা মীথোই মীহেল্লবা মহৈরোয়শিং অমদি তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা মীথোই মীহেল্লবশিংদা চহী খূদিংগী লেপ্তুনা পীদুনা লাকপা মনা লান্থোকপগী থৌরম ঙসি ককচিং ফৌসুপাৎ লৈকায়দা লৈবা সেন্টর অসিগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখ্রে।



২৪রকশুবা ওইনা মনা লান্থোকপগী থৌরম অদুদা হান্না মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরমখ্রবা নোংমাইথেম নিমাইনা থৌরম মপু, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেনসু ওইরিবা ৱাবগাই এ সীগী এম এল এ ডা. উশম দেবেন, ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বর, দি এম য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর নোংমাইথেম রাজমুহোননা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি লান্থোকখিবা মনাশিং অদু গভর্ণরস মনা (ককচিং লাইব্রেরী মনা) য়াওনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা তোঙান তোঙানবা দোন্নরশিংনা কৎপা পুন্না মনা ২৪ মীওই ৫৩দা লান্থোকখি। চহী খূদিংগী ওইনা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনগী মকোক তাবা মীওইদা পীবা গভর্ণরস মনা বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২২গী মণিপুর পুম্বগী ওইনা অহানবা পোজিসন ফংখ্রবা রাহুল লাইশ্রমদা খুৎশিন্নখি।

ঙসি লান্থোকখিবা অতৈ মনা ফংখ্রবশিং অদুদি বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২২দা ককচিং সেন্টরগী মার্ক খ্বাইদগী ৱাংনা ফংলকখ্রবা মহৈরোয় অনীদা পীবা মনা ফাঞ্জৌবম গৌরহরি মনানা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২২দা মণিপুর পুম্বগী ওইনা ৯শুবা পোজিসন তাখিবী ময়াংলম্বম সানিয়া অমসুং ২৩ শুবা পোজিসন তাখিবা মোইরাংথেম দেবরানিদা খুৎশিন্নখি। কে এস ঐচ সনাজাওবা, অমুরৈমা মনানা পদ্মশ্রী এৱার্দী মোইরাংথেম মুক্তামনিদা, একাদেমীক করিয়রদা পীবা ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহল মনানা মিজেরাম য়ুনিভর্সিটিদা এম এদা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা নোংমাইথেম কিসুনদা, কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী এগজামিনেসন্দা সাইন্স অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমগী টোপ্পরদা পীবা মনা ক্ষেত্রিময়ুম কুল্লচন্দ্র অমসুং শিজ মনানা রাহুল নাওরেম অমদি অবুজম অঞ্জলি অনীদা ঐচ এস এল সী এগজামিনেসনদা ককচিং সেন্টরগী মকোক তাবা মহৈরোয়দা পীবা নাওরেম গঙ্গা সিংহ মনানা ময়াংলম্বম সানিয়াদা, এম বি বি এস তম্নবা খল্লবা ককচিংগী মহৈরোয়শিংদা পীবা য়েংখোম য়াইমা সিংহ মেদিকেল মনানা নোংমাইথেম নেবিতা, মোইরাংথেম জয়ালক্ষ্মী, য়েন্দ্রেম্বম নন্দিরা অমদি পুখ্রম্বম সিলভিয়াদা খুৎশিন্নখি।

নাওরেম অমুবা সিংহ মনানা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা ওজা পুখ্রম্বম কুঞ্জোদা, ঐচ এস এল সী এগজামিনেসন ২০২২দা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট সেন্টরশিংদগী মকোক মথং তারকখ্রবশিংদা পীবা মনা নাওরেম নিরঞ্জয় মেমোরিএল মেরিটোরিয়স মনানা মথংশিংনা মেনেকা হুইদ্রোম, ময়াংলম্বম সানিয়া অমদি শমজেৎশাবম রিশিকেস অহুমদা খুৎশিন্নখি। কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী আর্টস ষ্ট্রিমগী মকোক তারকখ্রবদা পীবা মনা মোইরাংথেম তোয়াইমা মেমোরিএল মনানা গোলমৈ গাইহেমৈদা, শান্ন-খোৎনবগা মরী লৈনবা হীরমদা পীবা মনা ডা. কে এস ঐচ রতন মেমোরিএল স্পোর্টস মনানা ইন্টরনেসনল ফুটবোল্লর মাইবম লিন্থোইঙম্বীদা, ঐচ এস এল সীদা ককচিং সেন্টর তোপ্পর অনীদা পীবা মনাশিং য়েংখোম নিমাই মেমোরিএল মনা, ওজা অচৌবা মেরিট মনা অমদি নাওরেম রাকেশ কোমেমোরেটিভ মনা অহুমনা মথংশিংনা ময়াংলম্বম সানিয়া অমদি মোইরাংথেম দেবরানিদা খুৎশিন্নখি। নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল মনা (আর্ট এন্দ কলচর)দা ক্ষেত্রিময়ুম অহঞ্জাও (শক্লাইরবা পেনা অশৈবা) অমসুং নাওরেম নৱাং (মোইবুং খোংবদা), নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল মনা (কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি)দা ক্ষেত্রিময়ুম নন্দবির (থাঙশাবা) অমসুং ক্ষেত্রিময়ুম মুহিন্দ্রোদা খুৎশিন্নখি। বেষ্ট ফার্মর অমদি বেষ্ট মাদরদা পীবা নোংমাইথেম কোকঙাং সিংহ মৈপাক দেবী মেমোরিএল বেষ্ট মনানা মথংশিংনা নাওরেম অঙ্গো (লৌমী) অমদি নাওরেম ওংবী ক্ষেত্রিময়ুম য়াইমা (থবক্তগী পোত্থারবী ওজা)দা খুৎশিন্নখি।

নাওরেম নিলচন্দ্র মেমোরিএল মনাশিংনা নাওরেম জেসিকা, এরিষ্টো ওইনাম অমসুং নাওরেম সোভিনিটি অহুমদা অমসুং য়েংখোম ইবোচৌ তনৌ বেষ্ট মণিপুরী পোনি ফার্মরস মনানা এলাংবম লেম্বদা, বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামদা অনীশুবা পোজিসনদা পীবা মনা থম্বাল মৈপাক মেমোরিএল মনানা নোংমাইথেম ধনজিৎ অমদি তনিস্ক তোংব্রম অনীদা, বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজামদা অহুমশুবা পোজিসন্দা পীবা মনা ময়াংলম্বম রতন সিংহ এন্দ ফেমিলি মনানা মেনেকা হুইদ্রোম অমদি জে সিয়া খ্বাইরাকপম অনীদা, ঐচ এস এল সী এগজামদা ককচিং সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলশিংদগী ফর্ষ্ট দিভিজনদা মায় পাক্লকপা মহৈরোয়শিংদগী মকোক মথং তারকখ্রবশিংদা পীবা মনা লীচিং লম্বী মনাদা খুলপুৱা কোদুনাহিম মরিং, সলাম বিদ্যারানি, এলাংবম ৱিল্লিয়ম, ক্ষেত্রিময়ুম সৈত্যম অমদি য়েন্দ্রেম্বম জেনিসতা খুৎশিন্নখি।

ক্ষেত্রিময়ুম অবের সিংহ এন্দ সলাম ইবেতোন মনা ফোর বেষ্ট রিদরনা ওইনাম প্রসান্তদা, য়েংখোম মুহিন্দ্রো সিংহ মনানা ময়াংলম্বম সুরদাসতা, ককচিং দিষ্ট্রিক্তগী ঐচ এস এল সী এগজামদা পোজিসন ফংলকখ্রবশিংগী মনুংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা মরিশুবা পোজিসনদগী হৌরগা মখা তাবা পোজিসন ফংলকখ্রবশিংদা পীবা মনাদা ময়াংলম্বম খোংনেম্বা সিংহ এন্দ তম্ফামদোন দেবী মেমোরিএল মনানা চিংখাম ইটালি, এলাংবম সরনকুমার, সরাংথেম থোইথোই চনু, শৌগ্রাকপম দিনোকুমার, সোরোখাইবম প্রিয়াদর্শিনি, মোইরাংথেম দেবরানি, য়ুম্নাম য়াইফবা অমদি নিংথৌজম সাধনাদা খুৎশিন্নখি হায়রি।

# লাইফম চৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) : মঙাশুবা মীতৈ চনুগা মরী লৈননা পরিং নাইনা পাঙথোক্কদৌরিবা তোঙান তোঙানবা থৌরম থৌগাইশিংগী মনুং চন্না ঙসি অহানবা ওইনা লাইফম চৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ৫শুবা মীতৈ চনু ২০২২গী কনভিনর ৱাইখোম অনন্দগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদু তাকয়েল লাইরেম্বী পোইরৈঙানবী অমসুং লাইনিংথৌ নাওথিংখোংগী মকাইফমদা মীচৈ চনু ২০২২গী পোজিসনদা মায় পাক্লবা চাংদম্নরোই ১৬না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। ঙসিগী মীতৈ চনু ২০২২গা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওজা লনচেনবা মীতৈনা চাংদম্নরোইশিংদা লাইফম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল কয়া তাকপী তম্বীখি। তাকপী তম্বীবগী থবক লোইরবা মতুং চাংদম্নরোইশিংদা লাইফম চৎপগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱারেং অমসু ইহনখি। মীতৈ চনুগা মরী লৈননা মথংগী লাক্কদৌরিবা নবেম্বর ২৭, নোংমাইজিংতা চেঙ খৈবা-খপ্পা, ৱাই তৈবা অমদি ফি হৌবগী থৌরম পাঙথোকচগনি। মতৌ অসুম্না তোঙান তোঙানবা থৌরম থৌগাইশিংগা লোয়ননা পাঙথোরকপনা লাক্কদৌরিবা দিসেম্বর ১০দা গ্রান্দ ফাইনেল পাঙথোক্লগনি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।১১।২০২২ ইং, নিংথৌকাবা; অয়ুক্কী পুং১০.০৪ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ২৭ নি পানগনি, মতুংদি ২৮নি পাল্লনি।

মেষ: থিবা হুম্বা কনবৈ কান্নজবা, লনসু চঙবা অমদি নীংবা মপা চাবা নুমিৎনি। অফবা থবক পাঙবা হৌবা ফৈ। লৌথোক চাথোক্লিংবসু য়াম্মী।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

বৃষ: মীনা ইনশিনবা লৌরদি ময়েং তাগনি, নত্তবা উপায়না মাঙওইনগনু মাঙগনি। লৌশিংনা শামু ফাগদবা নুমিৎনি-লন অমদি নুংঙাইবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা লৌদ্রদি মায় পাকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: নখা থাবগা মরী ফবা ৱাৎলি, নোল্লুকপা হৈত্রদি মাঙজবনা হেনগনি। মীরক্তা চঙলসু নুংঙাইফম খঙলোই- মরুপ মপাংগী ৱা লৌরদি ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপা পকচগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

কর্কট: চিন য়াঙগনু অমদি অরুবা থৌরমদা নাইতোম থৌপাঙগনু-চোপকনি। থবক খুদিংদা থৌনা লৈয়ু-মায়থিবা লৈরোই। শেন্দোং চাওনা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

সিংহ: য়েক্লবা লৈরম্লসু কোকচগনি, য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, মীরক্তা চঙলগা নুংঙাইবা হেনগনি। অঙম্বগদি লান্না খন্নগনি, হুদগীসু চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কন্যা: লাইবক থোইনা ফবা, শেন্দোং তানবা থবক্তসু চাওনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। নীংহন্নদনা মাঙলোমদা চঙশিল্লু, মীনা লাকচবসু ঙম্লোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

তুলা: অশাওবা, ফিংবা, নাপল, হেন্না আশা চাওবনা কান্নবা মাঙগদবা লৈ। ঈংথনা থৌ পাঙনবা হোৎনৌ, অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথনা লৈথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃশ্চিক: ঈকায় নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াই-ঙাং-শকপা চেকশিল্লু। মরুপ/নক্লবশিংগী মতেং লৌবদি মতাং চাই, শেন্দোং চাওনা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমসি

ধনু: মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপা, হুরান চিন্থি নংবা য়াবা, মরুপ মপাংগা মরী ফবা ৱাৎলসু নীংবা মপাদি চাগনি। থাজদনা ওইজ-ওইথক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মকর: লল্লোন ইতিক্তা নথক থোংবগী ৱা তাদনা খুৎচাও থাগনু। হোৎনজবগী কান্নবদি ফংগনি। নচা-ননাই, মীয়াম পুনবগী নুংঙাইজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম

কুম্ভ: হৈ-শিংবনা থবক লায়না পাঙবা, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইজবা, মীবু শুক্ষৎনা ঙাংবা শকপা হৈবা নুমিৎনি। ফিংলদি মরুপ কায়নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিন: নীংজবা থুংগনি, অনৌবা থৌরমদা পুক্লিং চঙবা, নুংঙাইজবা নুমিৎনি। লন ফংগনি, য়েৎনবা ঙমগনি। মরুপ্পদি য়েংশিল্লি-ৱাঙাং হৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

# লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) : লৈহৌ-নুংহৌ শঙলেন চিংমৈরোং পন্দিত অচৌবগী শঙলেনদা নুংথিল পুং ১ রোম তাবা মতমদা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমদি পন্দিত অচৌবা মথংশিৎনা কে ঐচ তোম্বী, এ ঈ এস য়ুম্নাম অমদি নিংথৌজম ইরাবোতনা কংলৈপাক মৈহৌরোন্দা সঙাই হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি ফোঙজবনি হায়না লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন চিংমৈরোং মনিং লৈকায়গী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা সঙাইবু নুংশিজবা কয়ানা লাইরিক অসিবু লৌবীদুনা সঙাইগী অশেংবা মশক খঙমিন্নসি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# য়ুগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ হন্দোক্কদবনি হায়দুনা ৱাকৎ মীফমশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২০ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্কী কেবিনেট মীফম অমনা মফম খরদগী য়ু শুংবা, য়োনবগী লৈরম্বা অথিংবা লৌথোকখিবা ৱারেপ অদু হন্দোক্কদবনি হায়দুনা কাদা অমদি লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা ইমা লূপশিংগা পুন্না চত্থরকপা দেমোক্রেটিক খোঙজংশিংগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা) গী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দাংবম আনন্দগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা ওল মণিপুর ৱিমেন সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী




সমাজ), উরিপোক হুইদ্রোম লৈকায় ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন অমসুং কাদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লৈঙাক্লা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীখিবা ৱারেপ হন্দোকউ হায়না মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখ্রে।

নাকল অমরোমদা, উরিপোক খাইদেম লৈকায়দা নুপী সমাজ, ঙানুলৈমা ৱিমেন্স দিভেলপমেন্ট এসোসিএসন অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীবা য়ারোই হায়না ৱাকৎ মীফম অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ইরোইশেম্বদা লৈবা য়ুথ দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী শঙলেন মমাঙদা ইরোইশেম্বা অপূনবা নুপী লূপ, ইরোইশেম্বা য়ুথ দিভেলপমেন্ট ক্লব, নুপী সমাজ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখি।

লোয়ননা সগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক্তা নুপী ৱিভর্স ৱেলফ্যের এসোসিএসন, নুপী সমাজ অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা য়ু শুংবা অমদি য়োনবগী অয়াবা পীবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। নাকল অমরোমদা, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হিয়াংলমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) অমসুং কাদাগা পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম পাঙথোকখি। মীয়ামগী ওইবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা খোল্লাউ কয়া লাউখি হায়রি।